ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯲꯸, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জুলাই ২৮, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১২৩শুবা মশীং

# মীয়াম্নসু য়াদে খঙহল্লসি

## অমুক হন্না তকসি শোন্দনবা ফি শেন্নসি

মীয়ামগী মীহুৎনা মীয়ামগীদমক শেমজবা লৈঙাক্না মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাংশিং পাঙথোকপা হায়বসি দেম্মক্রেসিগী ফজখ্রবা ৱাহন্থোকনি। অদুবু ফজখ্রবা ৱাহন্থোকসি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা, মখোয়না স্পোন্সর তৌবদগী মায় পাক্লকখ্রবা মীহুৎশিংনা অমসুং পার্টি অমত্তদা এফিলিয়েসন তৌদবা ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেটশিংনা এসেমব্লিগী ইলেক্তেদ মেম্বরশিং ওইরক্লগা মখোয়গী মনুংদগী খরনা মরিং-মরাংহন্নবা হোৎনরকপা, ফজখ্রবা দেম্মক্রেসিগী মায়থোঙদা হামুক তৈশিন্দুনা মাঙথোক্লবা হোৎনরকপা হেক-হেক য়াওই। থৌদৌসি মণিপুরনা জন্যুৱারী ২১, ১৯৭২দা মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরক্তুনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০ লৈরকপদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনশিংগী মনুংদা য়াওখিবা অয়াম্বা টর্মশিংদা থোকখ্রে। মসিদা অকক্লবা অমসুং অরেপ্পা লোকল, রিজনল নৎত্রগা নেসনল পার্টি ময়ামগী নৎত্রগা খরখক্কী ৱাফম নত্তে। মায় পাক্তুনা এসেমব্লিগী মীহুৎ ওইখিবা ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেটশিংগী মনুংদগী লোয়নমক্তা থোকখিবা মক নৎত্রবসু অয়াম্বদা থোকখি। ইশম-শম্বদা ঙসি ফাওবদা পাঙথোরক্লিবা এসেমব্লি ইলেক্সনশিংগী মনুংদা অয়াম্বনা থোকখি। হৌজিক মমঙ মখূৎনা লাম্বা ফংজিল্লক্লবা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লি অসিদসু মার্চ ১৫, ২০১৭তগী অনৌবা লৈঙাক লিংলকপা হৌরকপা নুমিৎতগী ফাওবা হৌরগা থোক্লকখি। লৈবাকসিদা চৎনরিবা দেম্মক্রেসিবু মশক থিহন্নবগী থৌশিলসি পোকপগা লোয়নরকপা নীংথাগা পাঞ্জক ওইরকখি। লৈঙাক পায়রক্তুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা হৌরক্লবা মতুংদসু কয়ারক হন্না থোকখি। হৌজিক ফাওবদসু য়াদে, তৌফম থোক্তে, তৌরোইদবনি হায়বা খঙলবসু এক্ত অমা শেমদুনা লৈরম্লবনিনা, মমাঙগী লৈঙাক্লসু তৌরম্বনি হায়দুনা খূৎচাও থাদুনা চুংশিন্নরক্লিবা লৈঙাকসিদা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংগী ফাওবা লামশিন্দুনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং হাপচিল্লুবদগী করি শারে? হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইহল্লুবগী থবক্তু অনকন্সটিট্যুসনল ওইবা থৌওংনি হায়খ্রে। মসিগী মথক্তা এম এল এ ১২বু হায়রিবা ফমশিং অসিবু থিন্দোক্তুনা পুহনবদা অয়াবা পীখিবা এক্ত অদুগী রিপিল্লিং এক্ত অদুবুসু লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসননা য়াদবা, চৎনফম থোক্তবা, চৎনরোইদবা এক্ত অমনি হায়খ্রে।

মসিদগী সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইহল্লুরবা এম এল এশিংদু দিসক্কালিফাই তৌগদবনি হায়বগী ৱাকৎ লাক্লে। ষ্টেট ওফ মণিপুর অমসুং রুল্লিং পার্টিগী এম এল এ অমগী মায়কৈদগীসু হায় কোর্টনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদুগী মায়োক্তা এপেক্স কোর্ট অসিদা স্পেসল লিভ পিটিসনশিং ফাইল তৌনরক্লে। হায়রিবা দেম্মক্রেসিগী চৎফম থোকপা অচুম্বা লম্বেলদগী নাথৈরগা অরানবা, চৎফম থোক্তবা লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লুরিবা অসিবু লৈবাকসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু তৌনৈ, চৎনৈ হায়দুনা তৌরিব্রা? নৎত্রগা মণিপুরনা অহানবা ওইনা হৌদোক্লগা মসি ফাওবদি তৌবা য়াই হায়বদু উৎলমগে হায়দুনা তৌরিব্রা? ৱাহংশিংসিগী পাউখুম অসিগুম্বা থৌদোকশিংসিবু থোকহনবদা চেন্নরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং হকথেংনরিবা মীহুৎশিংনা মীয়ামদা পীগদবনি। অদুবু হুরানবনা হুরুরে হায়রক্কদবা নত্তবনিনা পাউখুম ফংলোই, খুন্নত্ত্রসু তোক্লো। খোংলকপদগী মীয়াম্না চিনফা পুরবা মখোল ঙাক্তনি। অদুবু লৈবাকসিদা চৎনরিবা কন্সটিট্যুসননা য়াদে হায়বা থবকসি করিগী অমাংবনি খঙনা খঙনা নেৎলুরিবনো? ঐখোয় শ্বাইগী হায় কোর্ট খক্তদা শোক্লবা লান ওইরবদি কদাইনো হায়রগে হায়ববু হৌজিক্তি সুপ্রিম কোর্ট য়ৌরে। লৈবাক পূম্বদা শবাক ফাক্লে। অদুবু ওলিম্পিক্তা মেদল লৌরকপদৌনা মীয়াম্না খূবাক খুদুনা থাগৎপীরক্কদবসু নত্তবা থবকসিবু করিগী তৌরুরিবনো? মীয়াম্না শিন্নবা মীয়ামগী পৱর পায়বসিবু তৌনীং-তৌনীংবা পংতৌদা তৌনবরা? হৌজিক্তি লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অসিনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিংগী কেসশিং অসি হেক লৌখৎলকপগা নীংদোল পোম্নরে। মীয়ামগী লৈঙাকসিগী য়ূম্ফম ফাউবা য়ুহা হাবদৌনা থক-থক নিক্লে, করি কান্নরি? মরমশিং অসিনা পাঙথোক্কদবা নকশিল্লক্লবা মীখলসিদদি মীয়াম্না অমুক হন্না তকসি শোলহৌদনবা ফি শেমদুনা লৈননবা হোৎনবা মতম য়ৌরে হায়নীংই। ওইজ-ওইথক, শেল অমসুং মখোয়গী মিত্রংগী লাংদা মীয়াম হঞ্জিন-হঞ্জিন থুদনবা খুকউ শেলহৌবা চঙই। পোকপদা হরাউদবা শিবদা কপনীংদবগী থৌদৌসি অমুক হন্না থোকহন্দনবা শিনবনা অফবা ওইগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২২

১) কুমজা ১৯৫৪দা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা *'জাৎ ওনবা'* হায়বা লাইরিকসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

২) *"থমজরম্লে থৱায়গী থৱায় / পামজবদা পীথোক্লম্লে / শেমজরম্লে তুরেলগী কাওশীং / ঈচেলনুংদা শিন্নরম্লে। / অসি য়ৌনা লাইবকথীরবী / তোর্বান ৱাংমা য়ৌজরগে।"* ঈশৈ শৈরেং মতেকসি কনানা ইবনো অমদি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৩) গ্যানপিথ এৱার্দ ফংলবা গুরদিয়াল সিংহগী *"মারহি দা দীভা"* হায়বা লাইরিকসি মীতৈলোন্দা করি হায়না থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) *"চীংথঙখোম্বা মহারাজ গঙ্গা চৎপা"* হায়বসি কনানা লেংবনো?

৫) কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়দা ইন্টরমেদিএট আর্টসতা তম্নবা অহানবা মণিপুরী শৈরেংগী টেক্স বুক ওইখিবদু করি লাইরিকনো, কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নবা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ত্রান্সপরেন্ট ওইবা কুয়োম্না নুংশিৎতগী এরোসোল দ্রোপলেটশিংবু ফাজিনবা

## (কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হন্থহন্নবগী পাম্বৈ অমা)

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**

মহিকশিংনা থোকহনবা লায়নাশিংগী মনুংদগী লায়না খরদি নুংশিত্তা য়াওরিবা দ্রোপলেটশিংগী মতেংনা শন্দোকই। মখোয়গী মনুংদা হৌজিক পেন্দমিক ওইনা শন্দোক্লিবা কোভিদ-১৯ অসিসু অমনি। অদুনা অসিগুম্বা মহিক য়াওরবা দ্রোপলেটশিংবু মাঙহনবা ঙম্বা নৎত্রগা ফাজিন্দুনা থম্বা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওইবা অমনি। নোর্থ ৱেষ্টর্ন য়ুনিভর্সিটিগী থিজিন লূপ অমনা অসিগুম্বা দ্রোপলেটশিংবু ফাজিন্দুনা থম্বা ঙম্বা ত্রান্সপরেন্ট ওইবা, নপ-নপ লাওবা কুয়োম অমা পুথোকপা ঙমখ্রে হায়না 'কোম' (১৬ জুলাই, ২০২১) দা ফোঙদোরক্লি।

থিজিন-লূপ অসিনা পুথোরক্লিবা ত্রান্সপরেন্ট ওইবা, নপ-নপ লাওবা কুয়োম অসি পোৎ অমা হেক্তগী লৈমাইদা তৈশিনবা য়াই হায়রি। অকে-অমৌগী পোৎশিংদা শীজিন্নবা পোলিমরদা য়ূম্ফম ওইরগা শারিবা কুয়োম অসি প্লেক্সিগ্লাস বেরিয়রশিং অমসুং ফেস সিল্ডশিং লোয়ন-লোয়ননা থোঙনাও, ফক্লাং, সিলিং নৎত্রগা পর্দানচিংবা ফাওবদা তৈবা য়াই। মতৌ অসুম্না শীজিন্নবা মতমদা হৌজিক মীয়াম্না য়াম্না কন্না লাম্থেংনরিবা কোভিদ-১৯ য়াওনা অতোপ্পা শ্বর হোনবগা মরী লৈনবা লায়নাশিংগী মহিকশিং য়াওরবা দ্রোপলেটশিংবু ফাজিন্দুনা থম্লগা লায়নাশিংদুবু শন্দোকহনবগী চাং য়াম্না হন্থহনবা ঙমগনি। মরমদি কোভিদ-১৯বু নাহল্লিবা কোরোনাভাইরস অসিসু পোজিটিভ ওইরবা মীশিংনা ৱা ঙাঙবা, শ্বর হোন্দোরকপা, লোক খুবা, হকথি খনবা, নপ-তিল শিৎতোরকপদা য়াওরকপা দ্রোপলেটশিং অমসুং এরোসোলশিংদগী শন্দোরকপনি।





চুপশিল্লবা দ্রোপলেটশিংনা শেম্লিবা পোটহোলশিং

নুংশিত্তা য়াওরিবা দ্রোপলেট নৎত্রগা এরোসোলশিংনা কুয়োম অসিবু তৈশিনখ্রবা লৈমাই অমগা থেংনবা মতমদা মখোয়না লৈমাইদুদগী থক্তোরকপগী মহুত্তা কুয়োমসিদা নপশিনখি। থিজিন-লূপ অসিবু লুচিংখিবা Jiaxing Huang না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মখোয়গী কুয়োমসি পুথোকপদা মায়োক্লখিবা খ্বাইদগী মরু ওইনা শিংনখিবা অমদি কুয়োম অসিবু পামদবা পোৎশিংনা কুপশিল্লকপা নৎত্রগা থৌওং অমনা ময়েক শেংহল্লক্তবা অদুনি। দ্রোপলেটশিংদুদা মঙালনা য়ৈবা মতমদা, স্কেটরিং থোরকপা অদুদি লৈমাই অদুবু হায়দ্রোফিলিক (ঈশিংগা তিন্নবা পাম্বা) ওইহল্লগা থোকহন্দবা য়াই। থোরক্লিবা স্কেটরিং অদু দ্রোপলেটশিংদুনা মনিল ওল্লগা পাইথোকখ্রবা মতুংদা, লেমহৌখাকশিংদুনা থোকহনবা ওইবা তারবদি মদুবু থিংনবা হোৎনবা হায়বসি হেন্না লুবা অমা ওই। অদুনা মখোয়গী কুয়োম অসি স্পোঞ্জ অমগুম্না মথৌ তৌহল্লি। মসিনা দ্রোপলেটশিংবু চুপশিল্লগা কুয়োমদুদা চাইথোকহনখিদুনা মঙালবু স্কেটরিং তৌহনবা ঙমদে।

টেক্নোলোজি অসিবু চাং য়েংনবগীদমক, থিজিন-লূপ অসিনা ইনভর্টেদ ওপ্টিকেল মাইক্রোস্কোপ অমগী ঈশিংগা তিন্নবা পামদবা পোলিইথাইলিন তেরেপথালেট (পি ঈ টি) মাইক্রোস্কোপ স্লাইদতা এরোসোল দ্রোপলেটশিংগী ঈচেল অমা চেলহল্লগা, ঈচেলদুবু নৈনবা হৌরম্মী। দ্রোপলেটশিংসিগী চাওবগী চাংসি চাওরাক্লা মাইক্রোন ১০ মুক্কি। অয়াম্বা দ্রোপলেটশিংনা কুয়োমদু য়াওদ্রিবা মাইক্রোস্কোপ স্লাইদতগী থক্তোরকই নৎত্রগা চেন্থোকখিদুনা অমুক নুংশিত্তা তিনখিবা থেংনরম্মী। অদুনা মখোয়গী কুয়োমদুগীদমক, লূপ অসিনা পোলিঅক্রিলঅমাইদ-কো-দাইএলিলমিথাইলএমোনিয়ম ক্লোরাইদ (PAAm-DDA) বু খল্লম্মী। মসি শাফবা, ঈশিংদা তুম্বা, ত্রান্সপরেন্ট ওইবা, অপাবা কুয়োম শেম্বা ঙম্বা পোলিইলেক্ট্রোলাইট অমনি। মসি -২০°সী দগীনা ৬০°সী ফাওবদা মশাগী ফীভম কাইহন্দনা লৈবা ঙমজে।



Jiaxing Huang

থিজিন-লূপ অসিনা মখোয়গী মাইক্রোস্কোপ স্লাইদপু পোলিমর অসিগী কুয়োম অমা শেমহনবা মতমদা, মখোয়না থেংনরকপা মতিক মগুন্দু হান্নগীদুদগী অদুক্কী মতিক খেন্নরম্মী : স্লাইদকী লৈমাইদা থেংলবা দ্রোপলেট অয়াম্বা নপশিল্লম্মী অদুগা কুয়োমদুনা চুপশিনখিরম্মী। অসুম্না চুপশিল্লবা দ্রোপলেটশিংনা পোলিমরগী শরুক খরবু তুমহল্লম্মী, অদুগা স্লাইদ অদুনা কংলকপা মতমদা, "পোটহোল" শিং শেল্লকই। সোলুট নৎত্রগা দিস্পর্সেন্ট (খুদম ওইনা, মহিক) শিংদুনা পোটহোলশিংদা লৈহৌই, অদুনা অমুক হন্না নুংশিত্তা থোরকপা ঙমদে।

চাংয়েংশিং পাঙথোক্ত্রিঙৈ মমাঙ অমসুং পাঙথোক্লবা মতুংগী স্লাইদশিংগী মাসশিং চাংদম্নরগা, থিজিন-লূপ অসিনা কুয়োম অসিনা $10^{5}$ mg/$m^{2}$h গী চাং অমদা দ্রোপলেটশিংবু ফাজিল্লি হায়বা খঙবা ঙমখি। মসি য়াম্নমক শিংথানিংঙাই ওই মরমদি কা অমদা দরকার ওইবা ফাজিনগদবা খ্বাইদগী য়াম্বা দ্রোপলেটকী চাংসি $10^{-5}$ দগীনা $10^{-2}$ mg/$m^{2}$h নি হায়না পানৈ। মসি মী অমনা ৱা কন্না ঙাঙবা মতমদা পাইথোরকপা দ্রোপলেটশিংগী ভোল্যুমদা য়ূম্ফম ওইবনি। অতোপ্পা চাংয়েং অমদা, লূপ অসিনা ফাজিনহৌবা অমসুং থক্তোক্লগা হন্দোকখিবা দ্রোপলেটশিংদু পুথোক্লবগীদমক, 2 x 2 cm গী সিলিকোন ৱেফরশিংদা পোলিমরদু তৈশিল্লগা প্লেক্সিগ্লাস স্ক্রিন অমগী মচি অমদা থল্লম্মী। মসিদগীদি মখোয়না কুয়োমদু তৈশিন্দবা অমসুং তৈশিল্লবা ৱেফরশিংদা সেন্টিমিটর মঙা লাপ্পা মফমদগী এরোসোলশিংগী ঈচেল অমা মিনট মঙা চেলহল্লম্মী। মসিগী মতুংদা মাইক্রোস্কোপিগী মতেংনা য়েংবদা, কুয়োম তৈশিল্লবা অমসুং তৈশিন্দবা ৱেফরশিংদগী দ্রোপলেটশিংনা থক্তোক্তুনা চৎখিবগী চাং য়াম্না খেন্নবা থেংনরম্মী।

থিজিন লূপ অসিনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মখোয়না পাঙথোক্লিবা চাংয়েংসিগী মরু ওইবা অশোনবা অমদি মীওইবনা শ্বর হোনবদগী পুথোরক্লিবা দ্রোপলেটশিংগী চাংসি লেবতা শীজিন্নরিবা এরোসোলশিং পুথোক্লিবা অদুদগী হন্থে। মহৌশাগী ওইবা থৌওংনা দ্রোপলেটশিংসি তোঙান তোঙানবা চাওবগী চাংশিংদা পুথোরকই অদুগা মিলিমিটরগী চাংদা চাওবা দ্রোপলেটশিংনা লৈমাইগা থেংনবা মতমদা হেন্না পিকপা দ্রোপলেটশিংদা কাইথরকই। অসিগুম্বা খুদোংচাদবসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক, মখোয়না এয়র-স্প্রেয়র অমনা পুথোরকপা দ্রোপলেটশিং শীজিন্নখি। অসিগুম্বা দ্রোপলেটশিংবু কুয়োম তৈশিল্লবা অমসুং তৈশিন্দবা ৱেফরশিংদা সেকেন্দ অমা কাপশিল্লম্মী। মখোয়না চাংয়েংসি মঙারক হন্না পাঙথোক্লম্মী। মসিদগী মখোয়না ফংলকি-খবদি কুয়োম তৈশিল্লবা ৱেফরশিংদগী দ্রোপলেটশিংনা থৈদোকখিবগী চাংসি ৮০% মুক হন্থবা থেংনরম্মী। মসিনা তাক্লিবদি, তপ্না চৎপা য়াম্না পিকপা দ্রোপলেটশিং অমসুং য়াঙনা চৎপা অচৌবা দ্রোপলেটশিংগী থক্তোকপগী চাংসি কুয়োম তৈশিল্লবা লৈমাইদগী য়াম্না হন্থে হায়বনি। মতৌ অসুম্না, মখোয়গী কুয়োমসিনা কোরোনাভাইরস অমসুং অতৈ মহিকশিং য়াওরবা দ্রোপলেটশিংবু মাঙহন্দুনা লায়না কয়া শন্দোকপগী চাং য়াম্না হন্থহনবা ঙম্লগনি হায়রি। ●

# মিরাবাই চনুনা ওলিম্পিককী মেদল লৌবা

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

মণিপুরগী মিরাবাই চনুনা টোকিওদা পাঙথোক্লিবা ৩২শুবা সম্মর ওলিম্পিক অসিদা অরূম্বা থাঙ্গৎপগী কিলোগ্রাম ৪৯গী কাঙলূপ্তা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা সিলভর মেদল ফংলবা মতুংদা থৌরম অসিদা মকোক তাখিবী স্নেচতা কিলোগ্রাম ৯৪, ক্লিন এন্দ জর্গতা কিলোগ্রাম ১১৬ থাঙ্গৎতুনা পূন্না কিলোগ্রাম ২১০ থাঙ্গৎতুনা সনাগী মেদল লৌখিবী চাইনাগী হো ঝিহুইগী মপাঙ্গল অদু হেন্না কন-খৎনবা শান্নরোয়শিংনা শীজিন্নবা য়াদবা হীদাক চারম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবী মণিপুরগী মিরাবাই চনুদা সনাগী মেদল অদু শিন্নরবা য়াবগী অচৌবা মমি অমা তারি। করিগুম্বা মিরাবাই চনুদা সনাগী মেদল অসি শিন্নরবদি ইন্দিয়াগী মেদল তেল্লিদা সনাগী মেদল অমা অহানবা ওইনা হাপ্পা ঙমগদৌরিবনি।

মিরাবাইনা অরূম্বা থাঙ্গৎপগী মশান্না অসিদা মশক থোক্না মালেম অসিগী মফম কয়াদা পাঙথোকখিবা অথোয় অহেন তান্নবদা মায় পাক্তুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকখিবগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্না মখল মখা কয়ায়গী এৱার্দশিং পীখ্রে। মসিগী মনুংদা ইন্দিয়াগী মরিশুবা থাক্তা লৈরিবা সিভিল্লিয়ান হায়বদি মিলিটরি, পেরামিলিটরি অমদি পুলিসনচিংবখক্তগী নত্তনা পীবা মনা (মিংথোল) 'পদ্মশ্রী' চহী নৌরিবী শান্নরোয় অসিনা হান্না ফংদুনা লৈখ্রে। মসিগী মথক্তা ইন্দিয়াগী ওইনা শান্নরোয়শিংদা পীবা খ্বাইদগী ৱাংলবা 'রজিব গান্ধী' খেল রত্না এৱার্দ ফংদুনা সার্টিফিকেট অমগা লুপা লাখ ২৫ ফংদুনা ইন্দিয়া পূম্বনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রবী শান্নরোয়নি।

এৱার্দ অসি হান্না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর (কুমজা ১৯৮৪দগী ১৯৮৯) ফাওবা ওইরম্বা রজিভ গান্ধীগী মমীংদা পীবনি। মনা অসি মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফ্যেরস অমসুং স্পোর্টসনা কম্মিটি অমা শেমদুনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকখিবা শান্নরোয়শিংদা পীবা থোয়দোক হেন্দোকপা এৱার্দ অমনি। মালেমদা ফাওরবা চেছ শান্নবা বিশ্বানাথন আনন্দদা মনা অসি ইহান হান্না কুমজা ১৯৯১-৯২দা পীখি। কুমজা ২০১৭তা অনাহেয়মদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা কিলোগ্রাম ৪৮গী গ্রুপ্তা সনাগী মেদল ফংখিবদগী মণিপুরগী ৱেটলিফটর অসিনা মথং মথং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকখিবা অথোয় অহেন তান্নবদা শরুক য়াখিবদা সনাগী, লুপাগী অমদি শেঞ্জেংগী মেদল কয়া ফংখ্রে হায়বা অসি লমদম অসিগী মীওই খরদমক খঙই, মসি ইরৈচা পূম্বনা খঙফম থোকই।

মহাক্না ওলিম্পিক অসিগী অথোয় অহেন তান্নবদা স্নেচতা কেজি ৮৭, ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১১৫ থাঙ্গৎতুনা অনীশুবা পোজিসন তাখিবা অসি ইন্দিয়াগী শান্নবগী অনৌবা লমায় অমনি। করিগুম্বদা চাইনাগী হো ঝিহুইনা মকোক ওইখ্রবসু দোপিং টেষ্ট তৌবদা হীদাক চারম্বগী খুদম চাংদম ফংখি হায়বা পাউ অসিনা অচুম্বা ওইরবদি মণিপুরগী শান্নরোয় অসিনা সনাগী মেদল ফংগদবনি। মরম অদুনা মহাক্না অসুক চাউরবা সবকন্টিনেন্ট অসিগী অমত্তা ঙাইরবা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা ঙম্বা শান্নরোয় অমা ওইদুনা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা মহাক্কী মমিং মতম কুইনগী ওইনা লৈহৌরগনি। ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোকখিবা ২০০০গী ওলিম্পিক গেমসতা কেজি ৬৯গী কাঙলূপ্তা অহুমশুবা তাখিবী কর্নাম মাল্লেশ্বরিনা ময়ূমদা হল্লকপদা মহাকপু মতিক চানা ইকায়খুম্নবা উৎখি অমসুং মতিক চাবা ফম অমা পীদুনা মপূক্নিং থৌগৎখি।

মিরাবাইদি থৌরম অদুদা মহাক্কী অঙম্বা শক্তি শীজিন্নদুনা মেদল অমা ফংবা ঙমদুনা লৈবাক অসিগী অমদি ষ্টেট অসিগী মীংচৎ থমখ্রে। তৌইগুম্বসুং ইন্দিয়াগী মতিক মগুন লৈরবা শান্নরোয়শিং তরুকশুবা পোজিসনগী মনুং চনবা ঙমদবনা অয়াম্বা ওইনা তৌরি। খুদম ওইনা কুমজা ১৯২৮, অমষ্টর্দমদগী ১৯৫৬, মেলবোর্ন ওলিম্পিক্তা থংন-থংননা হোকিদা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল , কুমজা ১৯২৮, ১৯৩২, ১৯৩৬, ১৯৪৮, ১৯৫২ অমসুং ১৯৫৬তা তরুক্লক লৌখিবা লৈবাক অসিগী হোকি টিম চহী খরা তপ্না তপ্না মরাই চাইথরুবদগী মোস্কো গেমস ১৯৮০দা সনাগী মেদল লৌবা ঙম্বদগী পূক্নিং খরা থৌগৎখি। অদুবু মতম অদুদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং ওলিম্পিক অদুদা শরুক য়াখিদবা মরম্না হোকি হৈরবা লৈবাক নোংচুপ জর্মনি, হোলেন্দ, ইংলেন্দ অমদি ওষ্ট্রেলিয়ানচিংবা লৈবাকশিং শরুক য়াখিদে। ওলিম্পিক অসিদদি ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোকি শান্নরোয়শিংনা অঙম্বা মপাঙ্গল মথৌনা পুথোক্তুনা মশান্না অসিদা মেদল অমা ফংনবা হোৎনরি।





মথক্তা পঞ্জখিবা থৌরমশিং অসি নত্তবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অয়াম্বদি গেমস অসিদা মায় পাকপা ঙমখিদবনা অয়াম্বা ওইনা তৌরি। টেনিসতা, টেবল টেনিসতা, স্কিট সুটিংদা, ফেন্সিংদা অমদি বেদমিন্টন্নচিংবদা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিং তপ্না তপ্না মাগী মাগী মশান্নদা মায় পাকপা ঙমদবনা মরম ওইদুনা মখা তানা শরুক য়াবা ঙমদনা লৈহৌরে।

ইন্দিয়াগী ওইনদি খোঙচৎ অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয় খরখক্তমক মেদল ফংবা য়াবগী মতিক মগুন লৈবা মরম্না লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা ওলিম্পিক অসিদা শরুক য়াহনখিবনি অদুবু অয়াম্বা শান্নরোয়শিংদি মখোয়বু মপূক্নিং থৌগৎপীবা ওইনা, মেদল অমত্তা ফংবা ঙম্মোয় হায়বা খঙনা খঙনা গেমস অসিদা শরুক য়াহনবনি। মসিনা ওলিম্পিক্কী ফজরবা ৱাফম অমা গেমস অসিবু হৌদোক্লম্বা ফ্রান্স মচা কোবর-দি-বেরোন্না ইদুনা থনম্বা "The important thing in the Olympic is not to win but to take part" হায়বা ৱাহৈ পরেং অদু কাউরোইদবনি।

ইন্দিয়াগী শুটিংদা শরুক য়ারিবশিং ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে। মতৌ অসুম্না ইন্দিয়াগী টেনিসকী নুপাগী সিঙ্গলসতা সুমিত নগালসু অনীশুবা রাউন্দদা দানিল মেদভেদেভ, রসিয়াগী শান্নরোয় অসিগী মখূত্তা মায়থীবা ফংখ্রে। ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী শান্নরোয় গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন তরুক্লক ওইখ্রবী সনিয়া মিরজা অমদি অঙ্কিতা রাইগী টিমবু য়ুক্রেনগী নাদিয়া কিচেনোক অমসুং লুদমাইলা কিচেনোক্কী মখূত্তা ০-৬, ৭-৬ (৭-০), ১০-৮দা মায়থীদুনা লৈহৌরে। কুমজা ১৯৯৬তা পাঙথোকখিবা অটলান্টা ওলিম্পিক্তা ইন্দিয়াগী লিএন্দর পেসনা ব্রাজিলগী ফর্ণান্দো সেলিজেনিবু মায়থীবা পীদুনা নুপাগী সিঙ্গলদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

চহী ২৬শুরবী মিরাবাইগী কোচ ওইখিবী ইন্টরনেসনলগী ৱেঠলিফটর অমসু ওইনা কয়ারক শরুক য়াখিবী এল অনিতা চনুনা মিরাবাইনা মেদল ফংখিবা থৌরম অদু টেলিভিজন্দা উখিবা মতমদা মমিত্তগী মপি তাখি। মিরাবাইনা মেদল লৌবগী থৌরম থাংজ নুমিৎতা উবদা ঐগী মিত্তগী পি তাখি । খুমন লম্পাক্কী সেন্টরদা শান্নখিবা শান্নরোয় অমনা সনাগী মেদল ফংবদা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইখি। ঐখোয়না মতম চূপ্পদা ওলিম্পিক্কী মেদল ফংবা ঙম্নবা মীৎয়েংদা মঙ মঙই হায়না অনিতানা হায়খি।

অনিতানা হায় মদুদি মহাক্কী মখাদা শান্নরোয় ১০দগী ১৫ ফাওবা কোচিং তৌরি। মহাক্না অঙাংশিং অদুগা লোয়ননা হরাও তয়াম্বগী থৌরম পাঙথোক্কনি অমদি মহাক্না ওলিম্পিক্কী মেদল লৌবা ঙম্নবা অঙাং কয়ামুক শেমগৎকনি। মিরাবাইগুম্বা মশান্না অসিদা মায় পাকহন্নীংবা অঙাংশিংগী মমা-মপাশিংনা ঐঙোন্দগী পাউতাক লৌবীবা য়াম্না কান্নগনি হায়খি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।